## বেনিফিটশিং ফঙহন্দ্রবদি জুলাই ২দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২৪ ঃ

লেবর দিপার্টমেন্টকী মখাদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক তৌরিবা লেবরশিংগী পন্দুনা লৈরিবা বেনিফিটশিং জুলাই ১ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্ত্রবদি বন্দ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না মণিপুর বিল্ডিং এন্দ আর্দর কনষ্ট্রক্সন ৱাকর্স ৱেলফিয়ার ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী সোইবম বিরমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মখা তানা হায়, লেবর দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা শেমগৎ শাগৎপগা মরী লৈনবা থবকশিং তৌরিবা লেবরশিংদা ফঙফম থোকপা বেনিফিটশিং ফঙদনা লাক্লি। লেবরশিংগী মচা মশুগী লাইরিক তম্নবগীদমক এদুকেসন বেনিফিট পীগদবনি মসিদা নত্তনা অনা লায়েংগী মেদিকেল বেনিটি, মী লৈখিদবগী দেথ বেনিফিট, অঙাং উন্নবগী মেটিনরি বেনিফিট, পেন্সনগী পেন্সন বেনিফিট অমসুং হাওউশিং লোননচিংবা ফঙফম থোকপশিং ফঙদনা লাক্লি।

ফঙফম থোকপা বেনিফিটশিংগী মনুংদা এদুকেসন অমসুং মেদিকেল বেনিফিট অসি নত্তনা অতোপ্পা অমত্তা ফঙলকখিবা লৈত্রি। ফঙলিবা বেনিফিট অনী অসিসু নীংথিনা ফঙদে। ২০১৭-১৮গী একাদেমিক সেসন হৌখ্রবা ফাওবা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ আদর কনষ্ট্রক্সন ৱাকর্স বোর্দ অসিনা ২০১৫ ফাওবা পীথোক্তনা লৈরি। মরম অসিনা বোর্দ অসি ঙসিদি মপু পান্দবা বোর্দ অমগা চপ মান্নরে। বোর্দ অসিগী মরু ওইবা থৌদাং লৌগদবা চেয়ারপার্সনগী ফমসু হাংদুনা লৈরক্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৌশিল হৈতবা মানবা থৌওং অমা ওইনা দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা লেবর রেজিষ্ট্রেসন (লেবর কার্দ) শিংবু স্মার্ট কার্দ ওনগদবনি হায়না হৌখিবা চহী ২০১৭গী জুলাই ৪দা বোর্দ অসিগী সেক্রেটরীনা ওর্দর অমা থোকখি। থোকখিবা ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না সার্টিফিকেটশিং চহী অদুগী সেপ্টেম্বর ১দা সরেন্দর তৌখি। অদুবু রেজিষ্টার তৌদুনা লৈরবা লেবর ১৩০০০ লৈবগী মনুংদা শুপ্নতগী লেবর লিশিং অমা খক্তা রোমদা হায়রিবা স্মার্ট কার্দ অসি পীথোকপদা ঙাইরি। মসিগী মথক্তা স্মার্ট কার্দ অসিদা অশোয়বা কয়া অমসু য়াওরি।

দি বিল্ডিং এন্দ আর্দর ৱাকর্স (রিগুলেসন ওফ ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ কন্দিসন্স ওফ সার্ভিস) এক্ট ১৯৯৬কী মতুং ইন্না স্মার্ট কার্দ শাগদবনি হায়বগী ক্লোজ অমত্তা য়াওদে। মরম অদুনা স্মার্ট কার্দ অসি মথৌ তাদে। মসিনা মরম ওইরগা ২০১৮গী বেনিফিট এপ্ললাই তৌবদা চাওনা অকাইবসু থোকহল্লে হায়খি।

লেবরশিংগী ফঙফম থোকপা বেনিফিটশিং অথুবা মতমদা ফঙহনবীয়ু হায়দুনা সি এম অমদি লেবর মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখিবা লৈখ্রে। মথং থা ১ ফাওবগী মনুংদা ফঙফম থোকপা বেনিফিটশিং অসি ফঙহনগদবনি। করিগুম্বা ফঙহন্দবা তারগদি জুলাই ২দগী মাস এজিটেসন চঙশিনবগা লোয়ননা বন্দ তৌবগী খোঙজংসু চঙশিল্লকপা য়াই হায়খি।

## ইলিগেল মাইগ্রেন্ট ২৬ হলহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ ঃ

মমাঙ থাগী ২২দগী এন ঐচ ২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীগী মাও গেটতা মফমসিগী পুলিসনা ইম্ফাল তম্না চঙলকখিবা গারী পূম্নমক্তা চেকশিন্না ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌবগী লেপ্তনা চথরকখিবদা থাসিগী ২২দা মশাগী শক্তাক-চে য়াওরক্তবা ইলিগেল মাইগ্রেন্ট ৯ হলহনখিবগা লোয়ননা ঙসিনা ১৭ মখোয়গী লাকফমশিংদা হলহনখ্রে হায়না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

## এদিসি চিয়ার্মেন ফাখিববু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৪ঃ

এ দি সি (ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল) চান্দেলগী চিয়ার্মেন দ্রগকা কোন্ননা ফারে হায়বসিদা মোরেগী তোঙান তোঙানবা ওর্গানাইজেসনশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

এদিসি চিয়ার্মেন লুখোসৈ এলাইজ সৈসৈবু দ্রগকা কোন্না ফারে হায়বসিদা মৈতৈ কাউন্সিল মোরেগী জেনেরেল সেক্রেটরী এন ইনাওচা মৈতৈ, হিল ত্রাইবেল কাউন্সিল মোরেগী প্রসিদেন্ট জিনসৈ লুংদিম, তামিল সঙ্গম মোরেগী জেনেরেল সেক্রেটরী এমদি থিলা খান, মণিপুরি মুস্লিম কাউন্সিল মোরেগী প্রসিদেন্ট এমদি জলালউদিন অমদি গোর্খা সমাজ মোরেগী প্রসিদেন্ট দুর্গা সর্ম্মা অচারিয়ানা পুন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবনি।

এদিসি চিয়ার্মেনবু দ্রগকা কোন্ননা ফারে হায়রিবা থৌদোক অসি হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চথরি। লোনা অচুম্বা অদু পুথোকচরক্কনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লানাই মীওইশিং, সি এস ওশিং অমদি পোলিটিকেল ওর্গনাইজেসনশিংনা পামদবা অমদি মরাল শিজিনবা ৱাফম কয়া সোসিয়েল মেদিয়াশিংদা থাদোকপসি লেপ্প্লিয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, এদিসি চিয়ার্মেন লুখোসৈ জৌ এলাইজ সৈসৈ জৌ য়াম্লবা দ্রগকা কোন্ননা ফারে হায়দুনা মণিপুর পুলিসকী দি আই জি য়াওনা এন এ বিগী ওফিস্তা পাঙথোখিবা পাউগী মীফম অমদা ফাগৎলবা পোৎলমশিংনা পাউমীশিংগী মমাঙদা পুথোকখিবা লৈখ্রবনি।

## ফম থাদোক্লোই, শীরিবা মরাল য়ুম্ফম য়াওদে ঃ ভি সি

ইম্ফাল, জুন ২৪ ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না শীরক্লিবা মরাল য়ুম্ফম য়াওদে লোয়ননা ফমসু থাদোক্লোই হায়না এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো এ পি পান্দেনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী শঞ্জেম্থোংদা লৈবা মহাক্কী ক্বাটরদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উন্নবদা ভি সিনা হায়, ২০১৬ ওক্টোবর ২৬তগী এময়ুগী ভি সি ওইনা ফম পুরকখিবনি। হৌজিক মুসুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা অয়াম্বা মহৈরোইশিং য়াওদে লোয়ননা হোষ্টেলদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা মহৈরোই খরদা কিহন খংহন্দুনা ইরাং শাগৎপগী মমি তাবা উখ্রে। হন্দক পাঙথোকখিবা ইনিদয়ান সাইন্স কংগ্রেসতা মুসুনা শরুক য়াখিদে হায়রদুনা হাইদ্রবাদকী ওসমানিয়া য়ুনিভর্সিটিগা পুন্না শীনমিন্নদুনা সাইন্স কংগ্রেস অদু মায় পাকখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌজিক মহৈরোইশিংনা খোঙজং চঙশিল্লিবসি মতম খরগী মমাঙদা মেগাজিন ফোঙবগী শেনফম য়ান্নদবদগী ওইগনি হায়রদুনা মহাক্না দিল্লিদগী হল্লকপদা ভি সি ওফিস অমসুং অতৈ কয়া ছো লোনশিল্লম্বা থেংনখি হায়নসু পাউদমখি। থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরীদা নীংথিনা ৱারী শাদুনা খঙহনখ্রে হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, মহৈরোইশিংনা শীরক্লিবা মরাল খুদিংমক অরানবা ঙাক্তনি। মপান লমদা চৎপগী শেনফম হৌজিক্কী ওইনা অশেংবা হায়বা ঙমদ্রে। মতম খরা লৌরগা নীংথিনা মহৈ তম্নবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মরক অসিদা দিপ্যুতি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা লুচিংবা সরকারগী মীহুৎ অহুম্না ঙসি মুসুগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে। মুসুগী মায়কৈদগীদি ঙরাং ফাওবগী মনুংদা ভি সি প্রো এ পি পান্দে লৌথোক্ত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়খিবা অদুদা অহোংবা অমত্তা লৈতে হায়না ময়েক শেংনা খঙহনখি হায়রি।

**লমায় ১ গী মখা**

## বি জে পিদি এদভর্টাইজদা ঙাওদুনা লৈরেঃ গোবিন্দাস

ষ্টেট অসিগী হৌজিক শেনথুমগী ফিভম খম থেংনা ফত্রবনি। গভর্ণমেন্টকী শেল লৈতে, দিপার্টমেন্ট খরদি তলব পীবা ঙমদবা য়াওরবনি। য়ু পি এগী গভর্ণমেন্ট লৈরিঙৈগী মতমদা সেন্টরদগী শেল য়াম্না পীরখিবা অদুগুম্না সেন্টরদা বি জে পি লৈরবনিনা ষ্টেটটা বি জে পিনা পানলবদি শেল য়াম্না পীরক্কনি খনলুরগা সাসন পায়রবা মতুংদদি শেল অমত্তা পীরক্ত্রে।

সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা পানলিবা গভর্ণমেন্ট অসি থবক তৌদবদা এদভর্টাইজমেন্টনা হারবা গভর্ণমেন্ট ওইরে। কংগ্রেস পার্টিনা চহি ১৫ সাসন তৌবা মতমদা ষ্টেট অসিদা তৌরমদবা থবক লৈতে।

গভর্ণমেন্ট অসিনা হৌজিক চংশিল্লিবা গো টু ভিলেজ অসিদা থাজবীগনু। মখোয়না চত্থরিবা থৌওং অসি পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংনা তৌগদবা থবকশিং মখোয়না মুনলগা তৌবনি। মসি পঞ্চায়টি রাজ এক্তনা পীরিবা ৱাফমশিং খোঙ্গাওনবনি। বি জে পি দি কন্সটিট্যুসনবু খোঙ্গাওনরগা নুঙাইজবা পার্টিনি হায়খি।

মীখলদা মায় পাকহৌদবা খরা থোরক্লগা মীয়ামদা খুৎয়েক য়াওদবা জোব কার্দ য়েনবা,হৱাই মরু খরা পীরগা গো টু ভিলেজ হায়না চংশিনবনা প্রজাশিংদা কান্নবা ফংহনবা ঙল্লোই।

থৌরম অদুদা এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা হায়, ষ্টেট অসিদা হৌজিক পোলিটিকেল পার্টি মখল অনিখক মীয়াম্না উরি। অহানবা পার্টিনা মীয়ামদা ৱাদমক ঙাঙবা, ঙাঙলিবা ৱাফমশিং অদু থবক ওইনা অমত্তা উত্তবা, নম্ফুন্দা সাসন পায়নবা হোৎনবা কাঙবু অমা লোয়ননা অতোপ্পা পার্টি অদুনা মশাগী পার্টিগী আইদিওলোজি ঙাক্লা চৎপা মীয়ামগীদমক থবক তৌবা কাঙবু অমনি।

কংগ্রেস পার্টিদি মশাগী আইদিওলোজি ঙাক্লা চৎপা পামজবা মীয়ামগীদমক অঙম্বা থাক্তা থবক তৌবা পামজবা পার্টিনি হায়খি।

মতম অমদা বি জে পিনা মখৌ পোঙনা লাওখিবা অফবা নুমিৎ লাক্লগনি হায়বদু কদায় য়ৌরক্লবগে। বি জে পিনা হেক সাসন পায়রকপদগী ঙসি ফাওবদা হিরম খুদিংমক্তা লম্বী থোংদা, এদুকেসন্দা, চাউখৎ থৌরাংদা লমদম অসি মেনশিনবা ঙল্লোইদবা মওংদা শোত্থদুনা লাক্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা পাটশোয় কেন্দ্রগী এম এল এ কুমারি এ কে মিরাবাইনা হায়, মতম অমদা গভর্ণমেন্ট অসিনা সাসন হৌরকপা মতমদদি চহি নৌরি খন্দুনা য়েংদুনা লাকপনি। হৌজিক্তি চহি অমা থা মরি মপুং ফারকপা অসিদদি গভর্ণমেন্ট অসিগী অশোয়বা কয়া পুথোক্তুনা নৈনবা দরকার লৈ।

হৌজিক সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনিদা সাসন তৌরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেংশিং অসি প্রজাশিংবু খঙহন্নবা লাওবা তাবনি।

য়ু পি এগী মতমদা হৌদোক্লম্বা ইমুং অমা থবক অমগী ৱাখল্লোন্দা পুথোক্লম্বা এম জি এন আর ই জি এসকী ৱাফম হৌজিক ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। এন আর ই জি এসকী পীথরকপা শেনফম কয়া গ্রাসরুটতা য়ৌহনবা ঙমদনা লৈরি। কংগ্রেসনা পানবা মতমদদি মতম চানা ফন্দ থাদোকপা ঙমদ্রবদি পেনালটি ওইনা ফাইন থিগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরিবনি। হৌজিক্লা এপ্রিল থাদা থাদোরকখিবা শেনফম পঞ্চায়টতা হৌজিক ফাওবা য়ৌবা ঙমদনা লৈরি হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা অনৌবা থবকশিং পায়খৎপদি লায়রদুনা কংগ্রেস পার্টিনা পায়খৎলম্বা থবকশিং অদু ফাওবা লোইনা শঙ্গাবা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। এন এফ এস এগী কার্দশিং হৌজিক ফাওবা বেনিফিসিয়ারিশিংদা য়ৌহনবা ঙমদনা লৈরি। পি এম জি এস ৱাইগী তেন্দর লোইশিনখ্রবা ফাওবদা থবক নমশিন্দুনা থল্লি। ওল্ড এজ পেন্সনগী ফোর্ম কয়া থারিবা অসি হান্নগী পীথোক্তুনা লৈরিবশিং অদু হান্না অমুক্তং পীথোকপীখো হায়না মিরাবাইনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা কেন্দ্রগী মতাংদা পল্লদুনা হায়, লাংজিং জিপিগী মনুং চনবা হৈনৌবোক্তা লৈবী মপা মমা অনিমক লৈজদ্রবী টিপিস্কীগীদমক থা অসিগী মনুংদা য়ুম অমা শাবীরগনি। লোয়ননা মহাক্কী মনাওনুপী অতোনবী অদুনা মেত্রিক হেক থাদ্রিবা ফাওবগী মহৈ তম্বদা চংবা শেনফম মহাক্না পুথোকপীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কেন্দ্র অসিগী মনুংদা ইলেক্ট্রিক লাইন তৎপদগী মৈনা চাকখ্রবা য়ুম এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা শাবা লোইশিল্লগনি। কেন্দ্র অসিগী লম্বী থোংশিং অয়াম্বা শেম্বগী থবক চংশিল্লি, ৱাৎলিবা কয়া অসি ২০১৯-২০ ফাওবগী মনুংদা শেম্বা লোইশিন্নবা হোৎনগনি। কেন্দ্র অসিবু মশক থোকপা কেন্দ্র অমা ওইনবগীদমক এম এল এগী ফন্দ, জিল্লা পরিষদ,প্রধানগী ফন্দশিং অসি পুন্না থাদদুনা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মিরাবাইনা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম এল এ কে ঐচ জয়কিষন, কুমারী এ কে মিরাবাই, জেদ পি মেম্বরশিং, প্রধানশিং অমসুং ৱার্দ মেম্বরশিংনা পুন্না লাংজিং অচৌবা অৱাং মনিং লৈকাই অঙ্গনৱাদি সেন্টর অমসুং শঙ্গারমখি।

## ভি সিনা কংগ্রেসকী হায় লেভেল কম্মিতি উন্নবা...

মসিনা তাকপদি মহাক মশামক একাদমীক এক্তিভিটিজদা পূক্নিং চংদে হায়বা তাকপনি হায়খি। লোয়ননা মসি সিভিল সর্ভিস কন্দক্ট রুলগী ৱাংমদনি হায়না ফোঙদোকখি।

অয়াম্বা মতমদা ভি সি অসি মহৈরোইশিংগা উন্নবা ফংদে। য়ুনিভর্সিটি এক্তনা পীরিবা একাদমীক কাউন্সিল অমসুং এক্সিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফম অমত্তা কৌদনা লৈরি। মহাক্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী চাঞ্চেলর হাপ্পবগী থবক অমত্তা হৌজিক ফাওবা লৌখৎপা লৈত্রি। চাঞ্চেলর য়াওদ্রবদি য়ুনিভর্সিটিগী কোর্ট মীফম কৌবা য়ারোইদৌরিবনি।

মহাক্না লিভ রুল থুগায়দুনা অয়াম্বা মতমদা মপান্দ চত্তুনা লৈবা পাম্মী। য়ুনিভর্সিটি অসিগী কষ্টদিয়ান ওইরিবা রেজিষ্ট্রার অমসুং কন্ট্রোলর ওফ ইগজামিনেসননচিংবা ষ্টেটুটরি পোষ্টশিং অসি রিগুলার বেসিসতা হাপ্তনা থল্লি।

রিগুলার লাইব্রেরিয়ান, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ক্যুরেটর অমসুং রিগুলার ফেকলটি মেম্বরনচিংবা পোষ্টশিং হাপ্তনা লৈবনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী একাদমীক এক্তিভিটিশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে।

নোর্মেল প্রোসিদ্যুরশিংগী ৱাংমদা ফেভরিতিজম অমসুং নেপোতিজম তৌদুনা তেক্নিকেল নৎত্রগা নন তেক্নিকেল কলেজশিংবু তেম্পররি নত্রগা পার্মনেন্ট এফিলিয়েসন পীথোকপা, মহাক্না হেক য়ুনিভর্সিটি অসিদা লাকপদগী কনভোকেসন অমা ফাওবা পাঙথোকখিদ্রি, য়ুনিভর্সিটি অসিগা মরি লৈনবা পোৎচৈ লৈবদা ফাইনান্সিয়েল নোর্মশিং থুগায়রগা থবক চত্থরি।

মহাক্না মপান্দা চৎপা মতমদা য়ুনিভর্সিটিকী এক্স চেকরদগী য়াম্লবা শেনফমশিং চাদিং তৌরি। য়ুনিভর্সিতি কম্ম্যুনিতিনা স্মার্ট ক্লাস অমসুং পরিক্ষাগী পাউখুমচে লৈবগী মতাংদা হ্বাইট পেপর দিমান্ট তৌরি।

কম্মিতি অসিনা মীয়ামগা উন্নদুনা মত লৌবদা করিগুম্বা হৌজিক লৈরিবা ভি সি অসিনা শাংথনা লৈরবদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইরাং অসি হেন্না চাউথোরকপা য়াই হায়না ফোঙদোক্লককখি হায়না পাউমীশিংদা গাইখাঙম্না ফোঙদোকখি।

কম্মিতি অসিনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা রিকমেন্দেসন অনিসু পীরি। কম্মিতি অসিনা রিকমেন্দ তৌরিবা ৱাফমশিংদি মরি লৈনবা ওঠোরিতিশিংনা ষ্টেকহোল্ডরশিং উন্নদুনা ৱারি শান্নবা দরকার ওই। করিগুম্বা মদু ঙমদবা তারবদি হৌজিক লৈরিবা ভি সি অসি লৌথোকপা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈরোই হায়না রিকমেন্দ তৌরি।

পাউগী মীফম অদুদা কম্মিতি অসিগী চেয়ারমেন গাইখাঙম্না হায়, এম য়ু অসি সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইবা তারবসু ষ্টেটকী দায়ত্ব লৈতে হায়না লৌবা তারবসু ইরাং থোরক্তুনা ষ্টেট অসিগী মহৈরোইশিংগী পুন্সি মাঙহনবা য়াবগী ফিভম লাকপা তারবদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতম চানা মীৎয়েং চংদুনা খুৎ থিংজিনবা তাবনি। মরি লৈনবা ওঠোরিতিশিংদা পাউ পীদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা তাবনি।

কংগ্রেস পার্টিনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা নত্তে। মসিদি মহৈরোই খুন্নাইবু কন্নবগীদমক ওপোজিসন পার্টি অমা ওইনা লৌফম থোকপা দায়ত্ব অদু লৌজবনি হায়খি।

ওপোজিসনগী থবক অসি লৈবাক অসিদা করি থোক্লিবগে, গভর্ণমেন্টনা করি তৌরিবগে হায়বদু য়েংশিনবনি। কংগ্রেসনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি লৌফম থোকপনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টনা লৌফম থোকপা থৌদাং অদু লৌবিয়ু, ওপোজিসন্নসু তৌফম থোকপনি খন্না থবক লৌখৎলকপদা রুলিংনা শাওফম থোক্তে। তৌফম থোকপা থবক অদু তৌরম্লবদি কংগ্রেসনা খুদোংচাবা অসি লৌরমদবসু য়াই হায়খি।

কংগ্রেস পার্টিগী ফাইন্দিং অমসুং রিকমেন্দেসন অসি পার্টিগী প্রসিদেন্টতা অমসুং সি এল পি লুচিংবদা পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টরগী থাক ফাওবদা পীশিন্দুনা ৱাথোক অসি লোইশিনবদা মতেং পাঙবীনবা তকশিনগনি হায়খি। মসিগীদমক পার্টিগী মীওই ১৫ না শাবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাঙবু অমা দিল্লিদা হয়েং চৎকনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা অৱাংবা থাক্কী কম্মিতি অদুগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

## ‘সামানা’গী এটেক্টঃ লৌমীশিংগী...

মরমদি হৌজিক লৈরিবা এলায়েন্স অসি প্রি-পোল নত্তে পোষ্ট-পোলনি। ইলেক্সন মতুংদা শেম্বনিনা মাগী-মাগী পার্টিগী মেনিফেষ্টো হায়গদ্রা ভিজন দোক্যুমেন্ট হায়গদ্রা ফোঙদুনা মীয়ামদা থমখিবনি। চুংশিন্নবা সরকার অসিগী কমন মেনিমম প্রোগ্রাম (সিএমপি) ঙসি ফাওবা লাউথোকপা তাদ্রি, সরকার অসিবু মমায় চুম্নবা চুংশিন্নরিবা পার্টিশিংগী কোর কম্মিটি নৎত্রগা কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি শেমখিবা তাদে। অদুনা বিজেপিনা সরকার অসি লুচিংলি হায়দুনসু এনপিপি, এনপিএফ, এলজেপিগী মীহুৎ মিনিষ্টরশিংদা বিজেপিগী ভিজন দোক্যুমেন্ট অদু ঙাক্লা থবক তৌগদবনি হায়না য়াথং পীবা ঙল্লোই। করিগুম্বা পীরবসু লৌগনি থাজদে।

অমরোমদা নাগালেন্দদা বেজ তৌবা এনপিএফনা বিজেপিদগী লাপথোকখিবা, নাগালেন্দদা ওপোজিসন ওইনা লৈখিবনা, মণিপুর য়ুনিত্তসু বিজেপি শৌগৎপা তোক্লবা য়াথং পীরমগনি। মদু হৌজিক ফাওবদি এনপিএফ মণিপুর ষ্টেটনা থবক্তা উখোক্ত্রি। করিগুম্বা উৎত্রবসু এনপিএফ মণিপুর য়ুনিত বিজেপিদা মর্জ তৌশিনবা নৎত্রগা বিজেপিগা চৎমিন্নরিবা নাগালেন্দ চীফ মিনিষ্টর নৈফিউ রিওগী এনদিপিপিদা মণিপুরগী এনপিএফ য়ুনিত মর্জ তৌশিনবা য়াবগী ওইথোকপসু লৈতবা নত্তে। অমুকসু বিজেপিদা য়াওরে হায়রিবা এসেমব্লিগী ফ্লোরদদি ওপোজিসন বেঞ্চতা ফল্লিবা এমএলএ ৮গী ৱাফম পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরী ওইরম্বা এলএলএ ১২গী ৱাফম হৌজিক লো কোর্টতা লৈরি। করম্বা ৱায়েল লাক্কদগে খঙদ্রি। বাই-ইলেক্সনগী ৱা হায়নরকপসু য়াওরি। অসুম্না ষ্টেট অসিগী রাজনিটিগী কাংলোনদা চরাং-খোয়রাংনবা অমসু মতম শাংনদগী লৈরক্লিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জাদা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী মথি ফোঙনরকপসি তরাই-তরাইনা লৌনদ্রি। সিব সেনানা প্রাইম মিনিষ্টর মোডিদা ফোঙনা এটেক্ট তৌরক্লিবা অসিসু রাজনিটিগী কাংলোনদা করি ওইরক্কদগে হায়বদু য়েংনবা হৌরক্লি।

## লিটরেচরদা মীওইবা খুন্নাই ...

মণিপুর কলচরেল পোলিসি অসি রিভিয়ু তৌবগী মতম অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী অখণ্ড অহৈ অহল লমনশিংদা অইবা চেরোল থারক্তুনা পোলিসি অসিদা করি শেমদোক শেমজিন তৌবা দরকার লৈবগে হায়বদু য়েংশীনবীনবা থারক্লগনি হায়খি।

মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয়না লমদম অসিগী কলচর অসি করিসু লৈতনা খনলবসু মপান লমদগী লাকপা মীওইশিংনদি মণিপুরী কলচর অমসুং লিটরেচরগী ইনাক খুনবা অসি মশক খঙলি।

মণিপুরগী কলচরগী ইনাক খুনবা অদুমক্তনা থাইলেন্দা পাঙথোকপা মালেমগী থাক্কী ফেষ্টিভেলদা খ্বাইদগী ফবা ক্রুপ ওইনা মনা পীরকখিবনি। লোয়ননা চাইনাদা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ানবা পাউ থারকখিবনি।

মসিগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা ঠিয়েটর ওলিম্পিয়াদদা পীকখ্রবা লমদম অসিগী ঠিয়েটর গ্রুপ কয়া শরুক য়ানবা অয়াবা পীরিকখিবা অসিনা লমদম অসিগী কলচরগী ইনাক খুনবা অদু তাক্লবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা পুন্না মীওই ৩২ দা উপাধি, সনাগী মেদল, শেলগী মনা অমসুং লাইরিক্কী মনাশিং পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

## অগর থাবনা খুঞ্জাশিংদা অনৌবা...

অসিগুম্বা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা অগর থাবগী মরুওইবা অমসুং মসিগী কান্নবা ময়াম অসি মীয়ামদা খঙহনবা ঙমগনি। লোয়ননা মসিনা মীয়ামদা উমং শেমগৎপগী মতাংদসু হেন্না ৱাখল তাহনবা ঙমগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো সিংহ, প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অমসুং হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স কে অঙ্গামী, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অমসুং লুৱাংশংবম খুলগী প্রজাশিংসু অগর পাম্বী থাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## ‘পেবেৎ’ উৎখ্রে

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিবু মালেমদা মশক তাকপা ঙল্লিবসি আর্ট এন্দ কলচর অমদি শান্ন-খোৎনবা অসিননি। অদুবু য়াম্না মরু ওইরিবা আর্ট এন্দ কলচর অসিগী বজেট অসি য়ামদনা হাপ্পা অসি লাইবক থিবনি। আর্ট এন্দ কলচর অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবা লৈঙাক্লা বজেট য়াম্না হাফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নাত্যশ্রী কেবি শর্ম্মা, ইম্ফাল ম্যুন্সিপাল কোরপোরেটর থোকচোম ওংবী ইলিজা অমদি ঈজেদসিসি, কোলকট্টাগী মেম্বর, প্রোগ্রাম কম্মিটি বুধা চিংথামনা থৌরম মপু ওইনাঅমদি অথোইবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

## পুলিসতা শিন্নরকখিবা মীওই ইমুং...

ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রবা মীওই অদুদি সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কংলাতোংবী তেজপারিদগী ৱিচমদিন পামৈ (৩০) অপোকপা চাপ্লিনবৌ পামৈনি হায়রি।

চাপ্লিনবৌ পামৈনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ঙসি ফোঙবা পাউচে খরদা মচানুপাগী ফোটো য়াওরকপা থেংনবদিগী খঙবা ঙমখিবনি। ৱিচমদিন পামৈ ক্লাস টেন কারমদাইদা ৱাখলগী লৈনা নারকপদগী ৱাখল চোইখিবনি হায়রি।

## দিআই এক্সিদেন্টতা ১ শিরে, ১...

অদুগা শোক্লবা দ্রাইভর অদুসু মফমসিদগীনি মমিংনা হুইদ্রোম শরত, অপোকপা ঐচ মনিহার কৌই হায়রি।

মহাকনা শোকপগা ১২-এআরগী পোষ্টতা পুশিন্দুনা অহান লায়েং পীখিবনি। হৌজিক খুদোংথিবগী ৱাংমদা লৈরে হায়রি।

**লমায় ১ গী মখা**

## লৌমীশিংনা দরকার ওইরকপদা হারগী ৱাথোক...

লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী পিআরওগা মসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবা ওফিসারসি কৌশিন্দুনা হায়বদগী ৱারী পূম্নমক পিআরওগা মকোক্তগী অমুক শান্নখি।

মসিদগী পিআরওনা এগ্রিকলচর দাইরেক্টরদা টেলিফোন তৌদুনা পাউ-চে অমদা ফোঙই হায়রিবসি কনানা হায়বনো হংবদা দাইরেক্টর মশানা মহাক্না হায়বনি হায়না খুম্লকপদগী অথুবা মতমদা দিলরশিং অসিগা ফম্মিন্দুনা হৌজিক চিংশিল্লক্কদবা ৱাৎলিবা জুনগী শরুকশিং সি পুশিল্লক্লবা পাউতাক পীখি হায়রি।

সেক্রেটরী ৱাই মোধুচন্দ্রনা মখা তানা হায়বদা মণিপুরগী দিলরশিংনদি য়ুরিয়াশিং অসি মসিগী এমআরপিদা লৌমীশিংদা য়োনবা ঙমদে। মসি থাওগী মমল হেনগৎপদগী গারিশিংগী ভারা হেনগৎলকপদগীনি। মসিগী মতাংদা হারশিং অসি চিংশিল্লকপদা দিলরশিংদা সবসিদি পীবিনবা চীফ মিনিষ্টরদা এসোসিয়েশন অসিনা এপ্রিল ১০,২০১৭তা অইবা চেরোল অমসু পীশিনখি।

চেরোল অদুদা সিএমনা ‘প্লিজ ইগজামিন এন্দ প্রোসেস টাইমলি বিফোর শিজন’ হায়না ইদুনা এগ্রিকলচর মিনিষ্টরদা পীখিবসু লৈখি।অদুবু মসিগী মতাংদসু ঙসি ফাউবদা লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎপীরক্ত্রে হায়বা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টর মশাদা নীংশিংদুনা ৱাকৎলমখি হায়রি।

সেক্রেটরীসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ঙসি জুন থাগী তাং ২৪ য়ৌশিনখ্রবনা এগ্রিকলচর লোয়শঙগা দিলরশিংগা ফম্মিন্নদুনা হয়েং মীফম পাঙথোক্তুনা থাসিগী চিংশিল্লক্কদবা ৱাৎলিবা হারশিংসি পুশিল্লক্লবা হোৎনরবসু মসিগী শেল থিদুনা দ্রাফট ককপা অমসুং গারিশিং থিনবদা মতম চংগদবনা ৱাৎহৌরিবা হারগী চাকথুংসিসু এপ্রিল থাগী মাঙখ্রিবা অসুম্মাইনা মাঙখ্রগদরা হায়বগী নুংনাংবসু ফোঙদোরকখি।

মসিগী মতাংদা পাউ-চেসিনা এগ্রিকলচর দাইরেক্টর উননবা হোৎনবদা দিল্লিদা লৈখি হায়বদগী উনবা ফঙখিদে।

## গভর্ণমেন্টনা ফংফম থোকপা রিলিফকী তেংবাংশিং...

ৱাঙ্গোয় কেন্দ্রগী মনুংদা রিলিফকী পোৎলমশিং য়েন্থোকপা লাক্লিবা মীওইশিংনা পুকচেল শেঙনা অমসুং মীয়ামদা ফংফম থোকপা চাং অদু শুনা ফংহনবীনবা হোৎনবীয়ু। রিলিফকী পোৎলমশিং অসি লৈরিবা ইমুং মশীংগা পুরক্লিবা পোৎলমগা পাথোক্লগা য়েন্থোকপা ওইহন্নবদি নুংঙইহৱমগদবনি।

মীয়াম মরক্তা চাং মান্নদনা পোৎচৈ য়েন্থোকপনা মীয়ামগী সেবা তৌজরিবা মীওইশিংবু লান্না উহন্নবা মচাক ওইহনগনি। মীয়ামগী সেবা তৌনবা থোরক্লিবা মীওইশিংবু লান্ন লৌখিবা য়াবা থবক্তি কৈদৌনুংদা তৌগুমসি হায়খি।

মহাক্না মখা তনা হায়, এন বিরেননা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগীদমক অফবা থবক কয়া তৌদুনা ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মীওইশিং মশামক চক্তুনা উন্নখিবা লৈখিবনি।

মীয়াম্না মখোয়গী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংহনবীয়ু হায়না ফোঙনা লাওরকপা অসিদা মীয়ামগী সেবা তৌরিবা মীপুম খুদিংমক্না শাওফম থোক্তে। করিগুম্বা মতমদা অশোয়বা লৈরব্রা হায়বদু য়েংশিনবা দরকার লৈ হায়খি।

মীয়াম্না রিলিফকী পোৎলম ফংই ফংদে হায়না ফোঙদোক্লরকপদা কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইরিবনা ভোট কাহৌবা কাহৌদবগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবা অদু লাইবক থিবনি।

মীয়াম্না খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা রাজনিতিগী ৱাফম পুশিনলকপা অসি মতাং চাদে হায়না লৌই হায়খি। মীয়ামগী মীহুৎশিং অসি পীবা ফম নত্তে।

ৱাঙ্গোয় কেন্দ্রগী মনুংদা হন্দক্কী ঈচাউনা শোকহনখিবা অসি ইমুং লিশিং ৩ রোমনি। ইমুংশিং অসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা চেঙ হৱাইনচিংবা য়েন্থোক্তুনা লাকপনি।

লোকেননা তেংবাং পীরকপা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈকাই অদুগী নুপীশিংনা ফোঙদোরকপদা কে ঐচ লোকেননা সোসিয়েল ৱার্কর অমা ওইনা মীয়ামগীদমক অৱাবা মতম অসিদা চেঙ অমসুং চান্ন থক্লবা পোৎলমশিং পীরকপা অসিগীদমক থাগৎলি। ঈচাউ অদুদা গভর্ণমেন্টনা পীরকপা রিলিফকী পোৎলমশিং য়েন্থোকপদা চাং মান্ননা ফংদবা অদুদা নুংঙইতবা ফোঙদোকখি। শামুরৌগী ওইনা ইমুংশিংদা অহানবগী ওইনা কেজি মরি মরি , অনীশুবা ওইনা কেজি ২ অমসুং অকোবগী কে জি ৪ তাঙ্কক অহুমলক্তা য়েন্থোকপীরে। অদুবু হঙ্গাম থাওনচিংবদি ফংবা খরনা ফংলে ফংদবশিংসু তোক্লে হায়খি।

## জেএসিগী দিমান্দগা মরী লৈননা পিএমদা রিমাইন্দর ...

প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা রিমাইন্দর অদুদা ষ্টেট অসিগী ওইনা শেলথুমগী ফিভমদা অৱাবা লৈবনা মরম ওইরগা অহেনবা শেনফম পীবিনবা তকশিনখিবনি।

খোঙজং চংশিল্লিবা জে এ সিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈন্দগী ৱারী শান্ননবা হায়রকপা লৈখি। অদুবু জে এ সিগী মথক্তা গভর্ণমেন্টনা থমখিবা ফানবগী ৱারেন্ট, জে এ সিগী মেম্বরশিং ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর অমসুং এক্সপ্লেনেসন কোল তৌবগী ওর্দরনচিংবা ময়াম অদু হন্দোক্তবনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্টকা ৱারি শান্নখিদবনি।

মমাংদা ৬ শুবা পে পিনবা দিমান্দ তৌখিবা মতমদা জে এ সিগী মীহুৎশিংবু গভর্ণমেন্টনা ৱারী শান্নসি হায়না কৌরগা মীওই ৭০ রোম পুলপ ফাজিল্লগা জেলদা থমখিবগী থৌদোক লৈবনা মখোয়না থল্লিবা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট অদু হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা ৱারী শান্নরোই হায়না জে এ সিনা ফিরেপ লৌখিবা লৈখি।

করিগুম্বা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট থল্লিবা ওর্দরশিং অদু হন্দোকপা অমসুং নোংমা ৱাৎলিঙৈদো ৱারী শান্নবা পাউথারক্লবদি জে এ সিনা ৱারী শান্ননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়খি।

হৌজিক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং থাজিন্দুনা জে এ সিগী লুচিংবশিং ফানবা হোৎনবা অসিনা খোঙজং অসি নমথবা ঙল্লোই।

খোঙজং অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগা থেংখাঙ মরিরক উন্নখ্রে, দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগসু ৱারী শান্নখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা ফিটমেন্ট কম্মিতি রিপোর্ট ফাইনেলাইজ তৌরবসু গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবদগী জে এ সি এমপ্লক অমসুং এমজিওনা দেমোক্রেটিক ওইনা খোঙজং চংশিনবদা খোঙজং অসিবু নমথনবা হোৎনবা হায়বসি লাইবক থিবনি।

ইং ২০১৭কী মীখল মমাঙদা পুথোকখিবা বি জে পিগী মীখলগী ভিজন দোক্যুমেন্টতা য়াওখিবা ৱাফম অমসুং এপ্রিল ১৯ দা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এক্সিক্যুটিব কাউন্সিলগী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ অদু থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক অমসুং ৭ শুবা পে ইনতোতো জনুৱারি ১ ইং ২০১৬ তগী পারগা পিনবা দিমান্দ তৌদুনা খোঙজং অসি চংশিল্লকপনি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন লাক্লবা মতুংদা ৭ শুবা পে পীগনি হায়বা ৱাফম লাক্লিবা অসি থাজনিঙাই ওইদে। লোয়ননা লুপ খরগা গভর্ণমেন্টকা তৌনখিবা এম ও য়ু অদু জে এ সিনা কৈদৌঙৈদো য়াবা ঙল্লোই হায়খি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেট অতৈগী শিন্মীশিংনা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অদু ষ্টেট অসিগী শিন্মীশিংদসু ফংহনবীয়ু হায়না তকশিল্লদুনা হয়েংদগী জে এ সিগী খোঙজং অসি হেন্না কনশিনলগনি। মসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ি খুদিংমক্না মতেং পাঙবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক চঙশিল্লিবা মতম কক্তঃবা থবক লেপ্পগী খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লহল্লিবা অসি হৌজিক পানলিবা গভর্ণমেন্ট অসিননি।

জে এ সিনা মতম চানা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখি। অদুবু মদু থবক্তা ওন্থোকপগী মহুত্তা সেক্যুরিতি থাজিল্লগা খোঙজং অসি নমথনবা হোৎনরিবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি।

## গভর্ণমেন্টকী স্কিমশিংগী কান্নবা লৌনবা হোৎনসিঃ লুখোই

স্কিম অসিগী মখাদা বেনিফিসিয়ারিশিংদা এল পি জি সিলিন্দর, ষ্টোভ অমসুং রেগুলেটরগা কোন্ননা কনেক্সন ফংবা য়াগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখেল্লোনদি লৈবাক অসিগী নুপীশিংনা শীংনা চাক থোংবদা মদুদগী থোরকপা মৈখুনা শোর হোনজিনবদা য়াওখ্রগা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরকপা অদুদগী কন্নবগীদমক স্কিম অসি পায়খৎলকপনি। স্কিম অসিনা উমংদগী শীং য়াম্থক্তুনা অকোয়বগী ফিভমদা শোকহনলক্কদবা অদুদগীসু কনবা ঙম্লগনি হায়খি।

স্কিম অসিগী মখাদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হোৎনবদগী এল পি জি কনেক্সন কয়া পীদুনা লাক্লি। স্কিম অসিগী মখাদা হান্না এল পি জি কনেক্সন লৈজদবা ৱাঙ্গোয় কেন্দ্রগী প্রজাশিংদসু কান্নবা পীবা ঙল্লে।

মখা তানা কেন্দ্র অসিদা লৈবিরা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংবা য়ারবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনগনি হায়না এম এল এনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা সাসন তৌরিবা এন বিরেননা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনসু মীয়ামগীদমক য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়া পায়খত্তুনা চঙশিনলক্লি। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাংগী মখাদা লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা মীওইশিংবু লুপা লাক্ষ অনী ফাওবগী অনা লায়েংদা চঙবা শেনফম গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লি। মসি প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রোগ্রাম অমগা পুনশিন্দুনা ঙসিদি লুপা লাক্ষ ৫ ফাওবগী মনুংদা খুদোংচাবা ফংবা য়ারগনি হায়খি।

মসিদা নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা মীমান্নদ্রবশিংগীসু য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়া পায়খৎলি। খুন্নাই অসিদা শোত্থদুনা লৈরিবা মীওই কাঙলুপশিং অসিগীদমক থা অমদা লুপা ১৫০০গী শেনফম পেন্সন ওইনা পীবা হৌখ্রে। লোয়ননা মখোয়দা সমাজ অসিদা মান্নবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্নবা খুদোংচাবা কয়াসু পীরি।

অমরোমদা মণিপুরগী গভর্ণমেন্ট অসিনা কনা লৈজদ্রবী নৎত্রগা মপুরোইবা লৈখিদ্রবী লুখ্রা ওইহৌরবীশিংগীদমক অনা লায়েংগী লমদা লুপা লিশিং ১৫ ফাওবগী শেলগী তেংবাং পীরি।

অসিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী পায়খৎলক্লিবা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবশিং অদু লৌনবা হোৎনসি লোয়ননা হেন্না নুংঙাইবা পুন্সি অমদা লাকহন্নবা হোৎনসি হায়না ও লুখোইনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী ওইনা ৱাঙ্গোয় কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা বেনিফিসিয়ারি ৩২দা গ্যাস কনেক্সনশিং য়েন্থোকখি।

ঙসি এল পি জি কনেক্সন য়েন্থোকখিবশিংগী মনুংদা তোপসিফাইদগী বেনিফিসিয়ারি ১৩, লাইফ্রাকপমদগী বেনিফিসিয়ারি ৬, ইরোম মৈজ্রাওদগী বেনিফিসিয়ারি ৭, গোবিন্দগ্রামদগী বেনিফিসিয়ারি ৪ অমসুং য়ুম্নাম হুইদ্রোমদগী বেনিফিসিয়ারি ২ য়াওরি।